# জাভাদা মৈগী চীং পোকখাইখ্রে মীয়াম লাঞ্জেন্নখ্রে




*সুরাবায়া, ফেব্রুৱারি ১৪ঃ* ইন্দোনেসিয়াগী জাভা ইথৎ মনুং চনবা মাউন্ট কেলুদ মৈগী চীং পোকখাইদুনা উৎ অমদি লৈচাক নুংচাক মপৈ মপৈ পাক শন্না কাপথোরকপদগী ইন্দোনেসিয়া মচা লিশিং কয়া ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে।

মৈগী চীং অসিদগী মাইল ৮০ লাপ্পা সুরাভায়াদসু মফম পুন্নমক উৎনা থানা কুপশিনখ্রে। মৈগী চীংদগী কাপথোরকপা উৎনা ননবদা য়ুম তেকপদগী মীওই অহুমসু শিরে হায়না এলিস বুদিসাত্রিওনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা হায়বগী মতুংইন্না উৎনা ননবদগী য়ুম তেক্তুনা মীওই অনি শিখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সুরাভায়া, য়োগ্যকর্টা অমদি সোলোদা মরুওইবা এয়ারপোর্টশিং উবগী চাং ৱাৎপদগী থিংজিনখ্রে। লৈচাক লৈথিশিংনা এরোপ্লেনগী ইঞ্জিনশিংদা অকাইবা থোকহল্লম্বা য়াই হায়না কিনরি। য়োগ্যকর্টা এয়ারপোর্টকী মেনেজর এন্দি ৱার্সননা হায়বদা এয়ারপোর্ট অসিগী রন–ৱে পরিং সেন্টিমিটর ৫ থানা উৎনা কুপশিনখ্রে হায়রি।

ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা মৈগী চীং অসি পোকখাইরক্কদবা পুং ১ মাঙজৌননা ওফিসিয়েলশিংনা এলার্ট অমসু লাউথোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি পালু আইলেন্দদা হৌখিবা ওগষ্টতা মাউন্ট রোকাটেন্দা পোকখাইরকপদা মীওই ৬ শিখি। সুমাত্রা ইথৎকী মাউন্ট সিনাবুং চহি অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা পোকখাইরকপদা মীওই ১৪ শিখি। জাভা ইথৎতা ইং ২০১০ দা মৈগী চীং পোকখাইবগী থৌদোক পরিং নাইনা থোকখিবদা মীওই ৩৫৩ শিখিবনি। জাভাদা হৌজিক মীওই লিশিং কয়া মতম খরগী ওইবা সেল্টরশিংদা লেল্লি। হোন্দোক্লুরবা মীওই খরনা ঙসি ময়ুম ময়ুমদা লাক্তুনা মপোৎ–মচৈ লৌশিন্নবা হোৎনখি। অদুবু মৈগী চীংদগী কাপথোরকপা উৎ অমদি নুংচাকশিংনা হৈথরকপদগী নমদুনা হন্দোক্লখি।

মফম অসিদা লৈবা মীওই অমনা হায়বদা, মফম পুন্নমক সমুদ্র মথক্তা হোনবা হিগুম্না নিকখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে। ঐখোয়না চেন্না–চেন্না অরাপ্পদগী তুরেলদা লাভা চেন্থবা উরকই হায়নসু অতোপ্পা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা, মৈগী চীং অদুদগী কাপথোরকপা উৎ অমদি নুংচাক কিলোমিটর ২০০ য়ৌনা চাইথরকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বি বি সিগী পাউমী এলিস বুদি ছাত্রিওনা জাকার্টাদা হায়খিবদা, মৈগী চীং অসিগা নক্লবা খুঙ্গংশিংদা চাইরকপা উৎনা খোঙনা চৎপা অমদি গাড়ী থৌবদা অপনবা থোক্কে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি চয়োল কয়ামরুম নোং খোংবগুম্না ঙংদুনা লৈরকখিবা মাউন্ট কেলুদ অসি ঙরাং শগোলশেলগী য়াচংবদা পোকখাইরকখিবনি।

অদুবু ঙসিদি মৈগী চীং অসিগী পোকখাইবগী শাফু তপ্না তপ্না হন্থরক্লি হায়নসু ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অখঙ অহৈশিংনা হায়বদা, চাওনা পোকখাইবা অমদগী তপ্না তপ্না হন্থরক্লবদি অমুক্কা হন্না চাওনা পোকখাইরকপা অসি পাক্লা থোক্কে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মৈগী চীং অসি ইং ১৯১৯ দা কা হেন্না চাওনা পোকখাইরকপদা মীওই লিশিং ৫ হেন্না শিখিবনি। হৌজিক হৌজিক ইন্দোনেসিয়াদা এক্টিভ ভোলকেনো ১৩০ রোম লৈরি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দোনেসিয়া লৈবাক অসি ভৌগলিগ ওইনা অশোনবা পরিং অমদা লৈবগা লোয়ননা য়াম্না তোয়না য়ুহার হাবা অমদি মৈগী চীং পোকখাইবগী চৈথেং ফংবা মফমনি। থা অসিগী হৌরকপদসু সুমাত্রা ইথৎতা লৈবা মাউন্ট সিনাবুং পোকখাইরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিখিবনি।

# য়ু কে দা নোংলৈনা অমুকসু হন্না য়ৈশিনখ্রে



*লণ্ডন, ফেব্রুৱারি ১৪ঃ* য়ুনাইটেদ কিংদমদা নোংম–নিনিগী মমাংদা শিংখিবা শাথিবা উনগী নোংলৈ অদুগী মতুংদগী ইঞ্জিনিয়ারশিংদা মৈ ফংনখিদবা মফম কয়ামরুমদা মৈ পীনবা হোৎনরিঙৈদা বৃটেনগী খা থংবা লমদমশিংদা শাফু কনবা নুংশিৎনা হুম্বগা লোয়ননা নোংজাও হৈথখ্রে হায়রি।

ইংলেন্দগী খা নোংচুপতসু অকনবা নোং চুখি। সিসিলিনচিংবা মফম খরদসু অকনবা নুংশিৎনা উন থানা তাহনখি। হৌজিক হৌজিক গ্লোসেষ্টরসায়র, সোমরসেট, বর্কসায়র অমদি সুরেনচিংবা মফমশিংদা ঈচাওগী ৱার্নিং ১৭ হন্দোক্তনা লৈবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর দেবিদ কেমেরোননা মীয়ামগী মতেং ওইনবা ফিভম পুন্নমক্তা মতেং পাংনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

খুদোংথিরবা তাঞ্জা অসিদা মীয়ামদা তেংবাং পীনবা থৌরাংদা গভর্নমেন্টনা মপুং ফানা পাম্বোম তিংলি হায়বসি মীয়ামদা খঙহন্নিংই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

বৃটেনগী প্রিন্স ৱিল্লিয়ম অমদি হেরিসু দাটচেট অমদি বর্কসায়রগী মফম খরদা ঈচাওগী তেংবাংদা শরুক য়াদুনা লান্মীশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নরি। কেন্সিংটন পেলেসকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদা প্রিন্স অনি অসিনা ঈচাওগী অৱাবা নংলবশিং মতেং পাংনিংই হায়বদু উৎতুনা আর্মদ ফোর্সশিং লৌখৎলিবা রিলিফকী থৌরাংশিংদা য়াওশিনখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক হৌজিক বকিংহার্ম পেলেসতগী থাদোরকপা চেরোল অমদা সোমরসেট লেভেলদা ঈশাওনা অৱাবা তাহল্লবা ফার্মরশিংবু মতেং পাংগনি হায়না মহারানিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱিন্সোরদা লৈবা রোয়েল ফার্মশিংদগী চানবা চিঞ্জাক অমদি ফমুং ফানুংশিং ঈচাওনা অৱাবা নংলবশিংদা মহারানিনা পীরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

হার্দৱায়ার ষ্টোরশিংনা রিলিফ সেন্টরশিংদা লৈঙোই অমদি লৈঙোই হাপ্পবা বোরাশিংখক্তা নত্তনা কেটলি, টোষ্টরশিং অমদি ফ্রিজশিং থাজিল্লক্লি। একোমোদেসন ৱেবসাইট অমদা থাগৎলকপা ৱারোলদা ঈচাও নংলবশিংনা কা ৱাইবদা অৱাইমল কোমথোক্কনি হায়না ফোঙদোরকখি।

এনভাইরোনমেন্ট এজেন্সিনা হায়বদা ঈচাওনা শোক্লবা মফমশিংদা মীয়ামনা মশা মশাগী ময়ুমশিং শোক্তনবা হোৎনবা য়াবসু হোৎনগদবনি ফোঙদোকখ্রে।

নোংলৈ নুংশিৎনা শাথিনা শোকহনখ্রবা ৱ্রেক পুলদা প্রাইম মিনিষ্টর দেবিদ কেমেরোন মশা চত্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা তেংবাংগী থৌরাংদা অৱাৎপা অমা লৈহল্লোই হায়বগী থাজবা পীখ্রে হায়রি।

# দি আর কোঙ্গোগী মেসাকর সাইট য়ু এননা য়েংগদৌরি




*কিভু, ফেব্রুৱারি ১৪ঃ* দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী নোংপোকলোমদা লৈবা মীয়াম পাক্তক্লা হাৎখি হায়বা মফম অমদা য়ু এন টিম অমনা চত্তুনা য়েংশিল্লুগদৌরি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অদুদা য়ু এন মিসন অমা চৎলুরবা মতুংদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। মিসন অসিনা হায়বদা মসিগী লাঞ্জাবা ফ্লাইট অমনা মফম অদুদা খুঙ্গং অহুম তুম্না মৈ থাদোকখিবগী খুদম উরক্লে হায়না ফোঙদোকখি। মফম অদুদা হৌখিবা জনুৱারী লোইরমদাই অমদি ফেব্রুৱারীগী অঙনবা শরুক্তা মীওই ৭০ হেন্না মরম শুক্লে লৈতনা হাৎখ্রে হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোরকখি।

লমদম অদুদা খুৎলাই পায়বা লুপ ৪০ হেন্না লৈবগী মনুংদা করম্বা লুপনা মীহাৎ অদু চত্থখিবা ওইরম্বা য়াবগে হায়বগী মতাংদদি মিসন অসিনা ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

পনবা য়াবদি, এম–২৩ হায়বা খ্বাইদগী চাওবা লালহৌলুপ অসি মমাং চহিদা মপাঙ্গল কনবা য়ু এন বৃগেদ অমগী মতেংগা লোয়ননা লাকশিনখিবনি। মিসন অসিগী মায়কৈদগী রে টোরেসনা হায়বদা, নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ঐখোয়না রিকনেস্যান্স ফ্লাইট অমা পাইরুবদা মালংদগী উবদা খুঙ্গং অহুমদি তুম্না মৈ থাদোকখ্রে হায়বা খঙলকখি।

অদুবু অচুম্বা অশেংবা অদু খঙদোক্লবা হৌজিক ফাওবদা মফম অদুদা ষ্টাফ অমত্তা থাজিনবা ঙমদ্রি। ঙসি ঙমদ্রবসু হয়েংদি শোইদনা থাজিল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মিসন অসিনা হায়খিবদা, কিহন খঙহনবগী মতৌ হেনগৎহন্নবা অৱাং থংবা কিভু প্রোভিন্সতা অয়াম্বনা মীহাৎশিং অদু চত্থখিবনি। শিখিবা ভিক্টিম অয়াম্বসু থাংনা কত্তুনা হাৎখিবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি নোংপোক থংবা দিআর কোঙ্গোগী লমদমশিং চহি ২০ হেন্না কাংলুপ নাইনা হাৎন–শুনবগী চৈথেং নংদুনা লাক্লিবনি। মিনরেল রিসোর্স মরাং কায়বা মফমশিং কন্ট্রোল তৌনবা লালহৌবশিংগা কন্না মুন্নরকপদা হৌজিক ফাওবদা মীওই লাক্ষ ৫০ রোমদি শিখ্রবনি।

চরাংনবা ফিভম অসি রৱান্দাদা ইং ১৯৯৪ দা মীয়াম পাক্তক্লা হাৎখি হায়না মরাল শীরিবা ইঠনিক হুটু মিলিটেন্টশিং দি আর কোঙ্গোদা চেনশিনখিবদগী হৌরকখিবনি। য়ু এননা রৱন্দাবু এম ২৩ রিবেলশিংদা তেংবাংই হায়না হন্না–হন্না মরাল শীবদা রৱান্দানা হৌজিক ফাওবা য়াদ্রিবনি। এম–২৩ রিবেল গ্রুপ অসিনা নোর্ঠ কিভুদা লালহৌ চত্থবা হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই লাক্ষ ৮ হেন্না ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রবনি।

# ইরাক্কী ফোর্সনা মিলিটেন্টশিং তকখাইখ্রে

*টিক্রিট, ফেব্রুৱারি ১৪ঃ* ইরাক্কী সুলৈমান পেককী অৱাং থংবদা লৈবা মফমশিংদা হেল্লিকোপ্টর গনসিপশিংনা মতেং পাংবা ইরাক্কী লান্মীনা মিলিটেন্টশিংনা পায়শিল্লম্বা লম হন্দোক্তুনা মিলিটেন্টশিংবু তাম্থোকখ্রে হায়রি।

মফম অসি সুনি ইস্লামিস মিলিটেন্টশিংনা মমাংগী লৌশিনখিবনি। ঙসি লান্মীনা চংশিনখিবা ওপরেসন অদুদা মিলিটেন্ট ১২ সু হাৎখ্রে হায়না টাউন অসিগী মেয়োর টালিব মুহমদনা ফোঙদোকখ্রে।

মিলিটেন্টশিং অদু আই এস আই এলগী মেম্বরশিংনি হায়নসু মেয়োর অসিনা মশক তাকখি।

লান্মীনা টাউন অসিদা ফজনা খুমাং চাওশিনবা ঙমখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুবু ওপরেসন অসি অরাইবা অমদি ওইখিদে। লালহৌবশিংনা লম্বী নাকলদা বোম ফুল্লম্বনা মরম ওইদুনা ওপরেসন অদু য়াম্না তপ্না চেকশিন্না চংশিনবা তাখি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

হৌখিবা চহি অমরোমগী মনুংদদি সুনি ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা ইরাক্তা মফম কয়ামরুম খুদুম চনশিল্লকখিবনি। মরুওইনা নোংচুপ থংবা অনবার প্রোভিন্সতা লৈবাক অসিগী সিয়াইদশিংনা লুচিংবা গভর্নমেন্টপু য়াদবা লালহৌবশিংনা মমাং থাদসু ফালুজা সিটি লৌশিনখিবনি। ইরাক্কী লান্মীনা ফালুজাবু কোইশিল্লগা অকনবা খুৎ থাদুনা লম হন্দোক্লবা হোৎনরগনি হায়না কিহনবদগী মিলিটেন্টশিং ঙসি খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজখি।

বাগদদকী অৱাংলোমদা লৈবা সুলৈমান পেক হায়বা মফম অসি সুনি আরবশিংনা নম্না খুন্দাবা মীকোক লিশিং ২৫ রোম লৈবা মফমনি। মফম অসিদা মশিং হন্থবা টর্কোমান অমদি কর্দিস কম্যুনিটিশিংসু খুন্দারিবনি। পুলিস ফোর্সশিংনা হৌজিক্তি গভর্নমেন্ট বিল্ডিংশিং কন্ট্রোল তৌরে হায়নসু মেয়োর অসিনা ফোঙদোকখি।

মিলিটেন্টশিংনসু মখোয়বু মায়থিবা পীনবা হন্না হন্না হোৎনরকখি। অদুবু হেল্লিকোপ্টরশিংনা মতেং পাংবা লান্মীগী ফোর্সশিংনা টাউন অসিগী চাদা ৭০ রোমদি হন্দোক্তুনা কন্ট্রোল তৌশিনখ্রে। মফম অদুদা লৈরম্বা নোংমৈ পায়বা মিলিটেন্টশিং মফম থাদোক্তুনা হন্দোক্লখ্রে হায়নসু মুহমদনা ফোঙদোকখি।

আর্মি ওফিসার অমনা হায়বদা, হন্দোকখ্রবা মিলিটেন্টশিং খুৎলায় লোৎশিল্লম্লগা মীচম মরক্তা তোৎশিনখিবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবনা মখোয়বু তান্নদুনা ফাবা অরাইবা ওইদে হায়না ফোঙদোকখি।

অকোইবদা লৈবদা খুঙ্গংশিংদা মিলিটেন্ট খরসু চেনশিন্নখ্রে। লান্মীগী কেপ্তেইন ফালা অব্দুল অমিরনা হায়বদা মিলিটেন্টশিং অসি খুদক্তা হেক্তমক থোক্লকপা অদুগা হেক্তমক মাংখিবা ঙম্বা ভুটকুম্বনি। হন্দক অমুক হন্দোকখ্রবসু মতাং চাবা অমদা ঐখোয়দা এটেক অমুক তৌরকখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# পুলিসনা বেঙ্কোক্তা প্রোটেষ্ট সাইট খরা শেংদোকখ্রে




*বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারি ১৪ঃ* মমাং চহিগী নভেম্বর থাদগী ৱাকৎলোইশিংনা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা হনবা লৈতনবা কেম্পেইন চংশিল্লকপদা খুদুম চনশিনখ্রবা বেঙ্কোক্কী মফম খরদগী ৱাকৎলোইশিং তকথোকখিনবা পুলিস শীজিন্নখ্রে।

থাইলেন্দগী কোনুংগী রোয়েল ক্বাটরদা মরুওইবা লম্বী লমজাও খরা পুলিসনা অমুক লৌশিনবদা ৱাকৎলোইশিংনা থোইদোক্লা অথিংবা পীখিদ্রে। অদুবু গভর্নমেন্ট কমপ্লেক্স অমদা শেম্বা প্রোটেষ্ট কেম্প অমা ৱাকৎলোইশিং তকথোকখিনবা চংশিনবদা ভাইওলেন্স থোক্লকপা য়াবগী মতৌ উরকপদগী পুলিস হন্দোরকপা তাখি। গভর্নমেন্টপু মফম থাদোকহন্নিংলিবা ৱাকৎলোইশিংনা হৌজিক মরুওইবা লম্বী লমখাইশিং অমদি গভর্নমেন্ট ওফিসশিংদা কেম্প তৌশিন্দুনা লৈরিবনি।

নেস্নেল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মকোক পারাদোর্ন পাটানটাবুটনা হায়বদা, মফম কয়ামরুমদি শেংদোক্লবা পান্দম তৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না ঙম্বমখৈ ৱাকৎলোইশিংদগী লম হন্দোকপগা লোয়ননা ৱাকৎ লুচিংবা পুন্নমক ফাজিনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

মখা তারদুনা মহাক্না হায়বদা খোঙথাং অসি ৱাকৎলোইশিংদা তকখাইবগী খোঙথাং নত্তে। ৱাকৎ ঈহৌ লৈবা মফমশিংদা আইন চৎনহনবগী খোঙথাংনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুবু পুলিসকী ওপরেসনদি মরুওইনা গভর্নমেন্টকী মফমশিংদা ওইনা চংশিল্লি। ললোন ইতিক্কী মরুওইবা মফমশিং অমদি লম্বী লমখাইশিংদি হন্না য়েংদ্রি হায়নসু পাউ খরনা ফোঙদোরক্লি।

গভর্নমেন্টকী ওফিসশিংগী মনাক্তদি পুলিস চা কয়ানা চংশিন্দুনা মেইন রোদ থিংলম্বা বেরিকেটশিং লৌথোকখি। মদুদা মশানা য়ানা হন্দোকখ্রবা ৱাকৎলোইশিংনা থোইদোক্লা অথিংবা পীখিদ্রে। অদুবু গভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি কয়ামরুমগী লৈফম ওইরিবা লম অমগী মনাক্তা লৈবা ৱাকৎলোইশিংনা চেকশিন্না ঙাক্লিবা কেম্প অমদদি লম হন্দোক্লবা থৌরাং পুলিসনা চংশিনখিদে।

নিংশিংবা য়াবদি ৱাকৎলোইশিংনা মমাং চহিগী নভেম্বর থাদগী লম্বী লমজাওদা থোক্তুনা ৱাকৎ ঈহৌ চংশিল্লকখ্রবা মতুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ পুন্সি মাঙখ্রবনি। চৈরক অসিদা ৱাকৎলোইশিংদা পাউখুম পীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রানা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২ দা খুদক্কী ওইবা জেনরেল ইলেক্সন অমা পাঙথোকখিবনি। মীখল অদুগী রিজল্ট চৎনবা য়ারোই হায়না ওপোজিসননা তকশিল্লকপদা থাইলেন্দগী কন্সটিট্যুসনেল কোর্টনা ওপোজিসনগী ৱাফম অদু রিজেক্ট তৌখ্রবনি।

# টালিবান পেনেল চিফনা পাকিষ্টানগী এটেকশিং কন্দেম তৌরক্লি

*ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ১৪ঃ* পাকিষ্টান গভর্নমেন্টকা শান্তিগী ৱারী শান্নরিবা মেম্বর অহুম্না শাবা টেহরিক ই টালিবান পাকিষ্টানি (টি টি পি) গী মকোক ওইবা মৌলানা সাম্যুল হকনা মখল অমত্তগী এটেক চত্থরক্তনবা আপিল তৌরকপগা লোয়ননা পাকিষ্টানদা হন্দক চত্থরকখিবা এটেক অদু শান্তিগী থৌরাংদা অকাইবা ওই হায়না কন্দেম তৌরক্লি।

কারাচি সিটিদা হন্দক্তা চত্থখিবা এটেক অদুবু কন্দেম তৌরদুনা সাম্যুলনা হায়খিবদা মীরৈবাক্কী ফোর্সশিং অমদি অতৈ লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংনা শান্তিগী থৌরাং অসি থুগাইবা পাম্মী হায়না মরাল শীখ্রে হায়রি।

দাউন ওন–লাইন পাউনা হায়বগী মতুংইন্না কারাচিদা চত্থখিবা এটেক অদু টালিবাননা মখোয়না চত্থখিবনি হায়বা ৱাফম শেংদোরকখ্রবনি।

অদুবু অসিগুম্বা এটেকশিং অসিদা টি টি পি না করিগুম্বা মওং অমত্তদা শরুক য়ারুবা লৈতে হায়বা সাম্যুল হককী ৱাফম অমসু দাউন ওন–লাইনদা ফোঙদোরকখিবনি।

হকনা হায়খিবদা, টি টি পি গী নেগোসিয়েটরশিংনা গভর্নমেন্টতগী ফংবা চিঠি অমগী ৱারোলশিং কুপ্না খন্নরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# কেনিয়া গভর্নমেন্ট ইন্থুনবা হোৎনবা লৈতে ঃ য়ু এস



*নাইরোবী, ফেব্রুৱারি ১৪ঃ* য়ু এস অমদি কেনিয়াগী মরী ফত্তবা হেল্লক্লিঙৈ চৈরক অসিদা কেনিয়াগী গভর্নমেন্ট ইন্থুনবা হোৎনবশিংদা য়ু এসনা ফন্দ থাদদুনা মতেং পাংবা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

কেনিয়াগী কেবিনেট সেক্রেটরি ফ্রান্সিস কিমেমিয়ানা য়ু এসপু মরাল শীরদুনা নাইরোবীদা ঙরাং চংশিনখিবা এন্টি গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্ট অদুদা য়ু এস এদনা ফন্দ থাদদুনা মতেং পাংই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অদুবু কেনিয়াদা য়ু এসকী এম্বেসেদর ওইবা রোবার্ট গোদেকনদি ৱারোল অসি অরানবনি হায়রদুনা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা চংশিনবা ৱাকৎ ঈহৌ অদুদা য়ু এসনা ফন্দ থাদখিদে হায়না ফোঙদোকখি।

কেনিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা উহুরু কেন্যাটাদা মমাং চহিগী মীখলদা ভোটরশিংবু ভোট পীহন্দনবা য়ু এসনা হোৎনখি হায়না মরাল শীখিবসু লৈরিবনি।

অমরোমদা মীওইবগী মায়োক্তা ক্রাইম চথৈ হায়বগী মরালদা প্রসিদেন্ট উহুরু কেন্যাটা অসি ইন্টরনেস্নেল ক্রিমিনেল কোর্টতা ৱায়েল চত্থগদবা অমসু মায়োক্লরিবনি।

অদুবু মহাক্না ক্রাইম চথখি হায়বদু য়াদ্রিবনি। ঙরাং গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা চংশিল্লকখিবা ৱাকৎ ঈহৌ অদুদা কেনিয়াগী পুলিসনা মীয়াম্থু তানখাইনবা ট্যার গ্যাস সেলশিং কয়ামরুম কাপশিনখি। ৱাফম অমনা কেনিয়াদা পোৎ–চৈগী মমল তাংবা, করপসননা মীয়ামদা পুক্লিং লুমহন্দবা অমদি লৈঙাক মওং তাদবগী মায়োক্তা ঙরাং মীয়ামনা হৌরক্তুনা ৱাকৎ খোঙজং অমা চংশিল্লকখিবনি।

# য়েমেনগী কৈশুমশঙদা লান্দারকখ্রে

*সানাআ, ফেব্রুৱারি ১৪ঃ* য়েমেনগী কোনুং সানাআদা লৈবা মেইন প্রিজনদা ঙরাং নোংমৈ পায়বা খরনা শাথিবা এটেক অমা চত্থরকখ্রে।

থৌদোক অদুদা পুলিসশিংগা খুৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট অহুমগা পুলিস পার্সোনেল ৭ কা শিখ্রে হায়না ষ্টেট নিউজ এজেন্সিনা ফোঙদোরকখ্রে।

এজেন্সি অসিনা হায়বদা থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা কৈশুমশঙদা লৈরম্বা ফাদোক কয়ামরুমসু নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি। হৌজিক ফাওবদা ঙরাংগী এটেক অদু করম্বা লুপনা চত্থরকখিবনো হায়বগী ক্লেইম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি। অদুবু অলকাইদাগা মরী শম্নবা মিলিটেন্টশিংনা লুচিংলিবা লালহৌ ইরাং অমগী খ্বাইদগী কনবা মফম অমা ওইরিবনি। অলকাইদাগী য়েমেনি ৱ্রাঞ্চ অসি মালেমগী ওইনসু থোইদোক্লা তৌবা ঙম্বা লুপ অমা ওইবনি। থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা হায়বদা, কৈশুমশঙ অদুগী মনাক্তা য়াম্না হৌনা পোকখাইবগী মখোল খরা তাখি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুদা মিলিটেন্টশিংনা কার বোমসু শীজিন্নরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ। কৈশুমশঙ অসি এয়ারপোর্ট তাবা মেইন রোদকী নাকল অমদা লৈবনি। এয়ারপোর্ট তাবা লম্বী অদুসু খুৎ থোক্লবা থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা থিংজিনখি। পনবা য়াবদি ইং ২০১২ দা য়েমেনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অলি অব্দুল্লাহ সালেনা তোকখিবা মতুংদগী লৈঙাক থৌদাদা হাঙহৌরিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা অলকাইদা ইন অরাবিয়ান পেনিন্সুলা (এ ক্যু এ পি) না অকনবা ঈহৌ চংশিল্লিবনি।

মমাং চহিগী দিসেম্বর থাদসু মিলিটেন্টশিংনা কোনুং অসিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদা লান তাশিল্লক্তুনা মীওই ৫০ হেন্না হাৎলগা ১৬০ হেনবনা অশোক অপন নংহনখিবনি।

মসিগী মতুংদামীরৈবাক মচাশিং ফাবগী থৌদোকশিংসু হেনগৎলক্লি। হৌখিবা য়ুমশংকৈশদা বৃটিশ মচা অমা মশক খঙদবা লুপ অমনা ফাখিবনি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অসিনা বৃটিশ মচা অমাবু ফাখিবগী অনিশুবা থৌদোক ওইরি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরকখ্রে।

# চাকওঁাই ৱারী

অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU -153

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | | | | 8 | 7 | 1 | |
| | | | | 7 | 6 | 8 | | |
| | | 3 | | | | | | |
| 6 | 7 | | | 1 | 3 | | | |
| | | | 6 | | | | | |
| 1 | | | 5 | | | 9 | | |
| | | | | | | | 4 | 9 |
| 4 | 1 | | 3 | | | | | |
| | | | | 2 | | | 3 | 5 |

Prepared by : ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | 6 | 7 | 8 | 3 | 9 | 1 | 2 |
| 3 | 8 | 9 | 4 | 1 | 2 | 5 | 6 | 7 |
| 7 | 1 | 2 | 5 | 6 | 9 | 8 | 4 | 3 |
| 2 | 5 | 4 | 1 | 7 | 8 | 3 | 9 | 6 |
| 6 | 7 | 1 | 9 | 3 | 4 | 2 | 5 | 8 |
| 9 | 3 | 8 | 2 | 5 | 6 | 4 | 7 | 1 |
| 4 | 9 | 7 | 3 | 2 | 1 | 6 | 8 | 5 |
| 8 | 2 | 5 | 6 | 4 | 7 | 1 | 3 | 9 |
| 1 | 6 | 3 | 8 | 9 | 5 | 7 | 2 | 4 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*